ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯖꯨꯟ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুন ০৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৭৩শুবা মশীং

# রাজ্য সভাগী মীখল নকশিল্লকপা

## বি জে পিনা সীট মশীং য়াম্না ফংনবা লাল্লোং চথরকপা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা য়েথোক্তুনা লাকখিবা রাজ্য সভাগী মীখল জুন ১৯দা পাঙথোল্লগনি। পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাওস ওইরিবা রাজ্য সভাগী সীট ১৮গী মীহুৎ খন্নবা মীখল জুন ১৯দা পাঙথোল্লগনি হায়না জুন ১দা ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রে। মার্চ ২৬তা মীখল পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বদগী য়েথোক্তুনা লাকখিবা রাজ্য সভাগী মীখল অসিদা মণিপুরগী সীট অমা, গুজরাটকী মরি, অন্ধ্র প্রদেশকী মরি, রাজস্থানগী অহুম, মধ্য প্রদেশকী অহুম, ঝরখণ্ডগী অনী অমসুং মেঘালয়াগী সীট অমা য়াওরি। অহানবদা ইলেক্সন কম্মিসন্না ফেব্রুৱারী ২৫দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা রাজ্য সভাগী সীট ৫৫দা মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম লাউথোরকখি। অদুবু মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ওইখিবা মার্চ ১৮ ফাওবদা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তা চোংথোরকখিদবা মরম্না সীট ৩৭কী মীরেপশিং লম্বা য়াওদনা মায় পাকখি। ইলেক্সন কম্মিসন্না মার্চ ১৮দা লম্বা য়াওদনা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখ্রবশিংগী মনুংদা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী প্রসিদেন্ট সরদ পাৱর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামদাস অথৱালে অমসুং রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি চেয়রমেন হরিভন্স নরায়ন সিংহ য়াওরি। মার্চ ২৬তা ষ্টেট ১৭কী রাজ্য সভা সীট ৫৫দা মীখল পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌখিবা মতমদা মীরেপ কয়ানা মীরেপচে পীশিন্নরকখি। অদুবু মহারাষ্ট্রগী সীট তরেৎ, টামিল নাদুগী তরুক, হরিয়ানাগী অনী, ছটিশগরগী অনী, তেলঙ্গনাগী অনী, ওদিষাগী মরি, বিহারগী মঙা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মঙা, অসামগী অহুম অমসুং হিমাচল প্রদেশকী সীট অমা য়াওনা মীরেপ ৩৭ লম্বা য়াওদনা মায় পাক্লে হায়না মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসরশিংনা লাউথোকখি। লম্বা য়াওদনা মায় পাকখ্রবশিংগী মনুংদা সিব সেনাগী লুচিংবা প্রিয়াঙ্কা চতুর্বেদি, এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা লোক সভাগী হান্নগী দেপ্যুটি স্পিকর এম তম্বিদুরাই, টামিল মনিলা কোংগ্রেসকী লুচিংবা জি কে বাসন, এদভোকেট কে টি এস টুলসি অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগী দিপেন্দর সিংহ হুদা য়াওরি। বি জে পিনা হরিয়ানাদা সীট অনী, মহারাষ্ট্রদা অহুম, হিমাচল প্রদেশতা অমা অমসুং বিহারদা সীট অমা ফংলে। হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বিরেন্দর সিংহনা ফম থাদোকখিবদগী হাঙদুনা লৈহৌবা সীট মেনশিন্নবা হরিয়ানাদা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সনদসু বি জে পিনা মায় পাকখি। জে দি (য়ু) না বিহারদা সীট অনী, এ আই দি এম কেনা টামিল নাদুদা অনী অমসুং বি পি এফনা অসামদা সীট অমা ফংখি। ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সীট মরি, টি আর এসনা টেলঙ্গনাদা সীট অনী অমসুং বিজু জনতা দলনা ওদিষাদা সীট মরি ফংখি। কোংগ্রেসনা ছটিসগরদা সীট অনী, হরিয়ানাদা অমা অমসুং মহারাষ্ট্রদা অমা ফংলগা রাষ্ট্রিয়া জনতা দলনা বিহারদা অনী ফংখি।

টামিল নাদুদা দি এম কেনা সীট অহুম; মহারাষ্ট্রদা নেসনেলিটে কোংগ্রেস পার্টিনা অনী; শিব সেনানা অমা; ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সী পি আই (এম) না অমা; লোয়ননা অসামদা কোংগ্রেস অমসুং এ আই য়ু দি এফনা শৌগৎপা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমা মায় পাকখি। মতৌ অসুম্না সীট ৩৭কী মীহুৎশিং লম্বা য়াওদনা মায় পাকখ্রগা লেমহৌরিবা সীট ১৮গী মীখল মার্চ ২৬তা পাঙথোল্লবা থৌরাং তৌখিবনি। গুজরাট অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী সীট ৪/৪; রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেশকী ৩/৩; ঝরখণ্ডগী ২, লোয়ননা মণিপুর অমসুং মেঘালয়াগী সীট অমমমদা মীখল পাঙথোল্লবা মতম লেপ্পুরবা মতুংদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়েথোক্তুনা লাকখি। জুন ১৯দা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মতম নকশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা কোংগ্রেসকী নীংবা কায়নীংঙাই ওইবা থৌওং অমদা পার্টি অসিগী এম এল এ অমা গুজরাটতা ফম থাদোকখ্রে। মোর্বি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইবা ব্রিজেশ মর্জানা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবদা স্পিকর রাজেন্দ্র ত্রিবেদিনা অয়াবা পীখি। মমাঙদসু কোংগ্রেসকী এম এল এ অনী ফম থাদোকখি। মার্চ থাদসু কোংগ্রেসকী এম এল এ মঙা ফম থাদোকপা লৈখ্রবনি। থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোল্লদুনা গুজরাট প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মীপূম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক অসিদা বি জে পিনা হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি ফগৎহনবগী মহুত্তা য়াল্লবা শেনফম অমা এম এল এ লৈবদা শীজিন্নদুনা লৈরে। 'ওপরেসন লোটস' হায়না খঙনবা বি জে পিগী লাল্লোং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অয়াম্বদা কোংগ্রেস অমসুং ওপোজিসনগী মীরেপশিং মায়থীবা য়ানা লৈরে। নোংম-নীনিসিদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা করম্বা লাল্লোং চথরকপগে হায়বদু য়েংবা তাবন।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# শগোল অনীদুনা তাইবঙ মীবু করিদি খল্লমগনি?

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মতম শাংনা লৈমিন্নজরক্লবা ঐগী হৌদোং অদু নোংমা মমিৎ নাম্মা কায়দুনা মমিৎ-মমায় ঈনা পুমতৈ-তৈরগা নামনখিবনা য়ুমদা পোত্থানবা তফিং-তফিং চেল্লকখি। করম্না মমীৎ অদু কায়রক্লিবনো হায়বগী মরী-মখোঙ খঙবা ঙমখিদে। অসুম্না মমিৎ নাম্মা তাংদুনা ৱানা, নুংঙাইতনা হিংলম্লগা মনুং-মতম চাদনা তাইবঙ অসি থাদোকখি। মরক-মরক্তা মহাকপু নীংশিংদুনতা লৈরকখি অমসুং লৈখিদবগী চহী কুমওন ফারকপা মতম অসিদদি থোইনা হেন্না নীংশিংলকই। লৈখিদবগী চহী কুমওন অমা ফারকপগী তাইবঙ মপুগী মফমদা তৌফম থোকপা হৌনবী মথৌ মঙম খরদং লৈখিদবা থৱায় অদুগীদমক পাঙথোকখিবা লোইখিবদা মঙায়রি। ওন্থোকপা হায়বদুনি ইখঙ খঙহৌদনা কোকথক্তা ব্রজ তাবগুম ইকোপ পাৎ ময়াদা পুন্দুনসু থম্বীরিবা শগোল অনীদুবু তমথীনা ওৎ নৈরগা মমিৎ লোইনমক কোথোকপীরম্বগী পাউ তাবদা ওন্থোক্না থৱায় নুংঙাইতে। কাউবনরা নৎত্রগা নংহৌদবনরা শগোল অনীদুগী ময়াশিংদি ফুক্তোকপীরমদবা মাল্লি।

শাগী মপোক্তা পোল্লক্তুনা মনীং তম্না লৈজগদবদু তাইবঙ মী ঐখোয়গী ওইজ-ওইথক অমদি অতৈ কানবশিং ফংনবগী য়ুমদা লোয়নদুনা য়ুমশা ওলহল্লি অমসুং পুন্দুনা থম্নে। অসুম্না য়ুমশাশিংনা তাইবঙ মীওইবশিংগা নুংশিনা তোৎনা-তিন্নদুনা লাকমিন্নে। য়াম্না নুংঙাইজদ্রিবদি, করিগুম্বা শগোল অনীদুগী মমিৎশিং অদু তাইবঙ মীনা কোথোকপা ওইরম্লগদি মখোয় অনীদুগী থম্মোয়দা ঐখোয় মীওইবসিবু করি হায়না ফাওরমগনি। মসি খল্লুবদা ঐদি থোইদোক্না ইকায়বা পোকচৈ। অদুবু পাউ হেক তাবদদি অহানবা হেক খল্লুবদা শাহিং-ঙাহিং চাবা শা নত্তনা অসিগুম্বা নুংশি হৈত্রবা শাজৎ-লীচৎ অসিদি তাইবঙ মীওইবা অমত্তনা চৎলমগদবা মান্দে হায়বসিনি। করিগুম্বা মীওই খরনা তৌরম্বা থোল্লবদি মখোয় অদু ৱাখলগী শাথীবা লায়না অমা লৈরম্বা অমা নৎত্রগা মীওইবা মশেল কল্লক য়েংথীনবদগী নুংঙাইনদদুনা তায়নফম খঙদদুনা মখূৎসু হল্লক্লোইদবা, মতুসু শোনবা অমসুং মরালসু লৈজদ্রবা শগোল অনী অদুদা অকন-অথৌ শাদুনা তৌগে হায়বগী মতাগুম তৌবা অমা হায়বা মরমশিং অসিদগী য়ামদ্রবদা অমদি ওইরমগনি।

নৌরিবা অঙাংশিংদগী হৌরগা মমিৎতা লাইরিক ময়েক অমত্তা উহৌদ্রবা অহলশিং ফাওবা শা-উচেক, উ-পাম্বীশিং অমসুং অতৈ থৱায় পানবা জীবশিংগী লাইফকী ভেল্যু খঙবনা মখোয়গী থম্মোয়দদি নুংশিবা ফাওরিবনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর'স গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইখ্রবী পিক্লিবী এলাংবম ভেলেন্টিনাবু মশানা থাজবা পাম্বী মচা অমখক্তা নুংশি হৈবা উৎপা ঙম্বগী থম্মোয় চেনবী নুপীমচা অমা ওইরুবনা মালেম পূম্বনা অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবীরি। থম্মোয় চাউবা ৱাখল লৈবা মীশিংনা মফম, মতম, মতাং অমসুং মরম চাদ্রবদি অতোনবা জীবশিংবু ওৎ-নৈবিদুনা হিংসা তৌবসি য়াম্না তৌহৈদে হায়নরিবনি। তাইবঙ মীগী চিঙ্গাক্কীদমক নৎত্রগা করিগুম্বা খরা কানগদবা থবক্কীদমক তঙাইফদনা কথোকখ্রবা জীব অদুগী থৱায়-হকচাং অদুগীদমক মীওইবা ঐখোয়না তাইবঙ মপুবু খুরুমজৈ অমসুং জীব অদুগী তৌবীমল উৎপা ওইনা মীওইবা ঐখোয়না পুন্সিদা অঙম্বা অফবা হ্যুমেন সর্ভিস খরদং ওইরবসু তৌফম থোকই। মদু নত্তদনা খুদম ওইনা, নুমিদাংদা নুংঙাইনা তূমজরিবা জীব অমবু নমদুনা চিংথোল্লগা হাৎতোক্তুনা চিন্দা হাওনা পুক থন্নসু চাথোকপা অদুগা মশাগী থম্মোয়বুসু নমথাক তৌরগা য়াম্না ইনহ্যুমেন ওইবা শাজৎ-লীচৎ চৎলবদি পুন্সিগী করি ৱাহন্থোক ওইগদৌরি ?

মণিপুরী শগোল (পোনি) অনীগী মমিৎ কোথোক্তুনা মমিৎ তাংহল্লম্বগী থৌদোক অদু মীওইবদা থোকপা থৌদোক অমগুম চপ মান্ননা লৌরে হায়রগা মণিপুর লৈঙাক্লা মদুগী অশেংবা মরী-মখোঙ অদু খঙনবা হোৎনবীফম থোকই। করিগুম্বা য়াম্না শাথীনা ৱাখল লায়না নাবা মীওইশিং ওইরম্লগদি মখোয়বুসু মীওইবনিনা য়াম্না থুনা সাইকিয়াত্রিক ত্রিটমেন্ট পীহৌদুনা লায়েংবীহৌবা চুমগনি। অদুগা থম্মোয়সু পান্দবা, ফৈ-ফত্তেগী ৱাখলসু লৈতবা অমসুং মরাল লৈজদ্রিবা অতোনবা জীবশিংদা নুংশি-হৈতবগী য়াম্না ক্রুয়েল ওইবা শাজৎ-লীচৎ চৎপা মীওইশিং ওইরগদি মতিক চাবা আইনগী মতেং লৌদুনা নিংথিনা ৱারক-ৱাতেম তৌরগা খরা ফগদবা পুন্সিগী লম্বীদা চৎহন্নবা হোৎনবিবা ফগনি। হৌজিক অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা মণিপুরী পোনিগী নুংশিরবা ৱারীকা খঙবীবা জাৎ নত্তে। লীরুবদসু তানীংখিরোই। খঙহন্নবা হোৎনবদসু মতম চঙখিনি।

অরোইবদা, থম্মোয়নুংদা ঈরা চেল্লিবা শগোল অনীদুনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গী ইরালশিং অদু ঙাকপীনবা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমগী মনুংদা মখোয় অনীগীদমক তৌবীফম থোকপা থবকশিং মতিক চানা লৌখৎপীনবা অমসুং লৈবাক মীয়ামসু মসিদা মতেং পাংশিনবীনবা নোল্লুক্লা হায়জরি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

**পাউখুম পীবিরিবা ঃ**
**ডা. এম থোইথোই সিংহ**

Q. ফৌদি লৌজরে। মসিবু হুল্লবা মতুং উচেকশিংনা চাখিদনবা ফুরাটোক্স কুম্বা হীদাক তোৎপা কান্নগদ্রা? ঐখোয় অসিৱাইদদি ফৌদিদা হীদাক মখলসি তোৎপা মীওই য়াম্না লৈ। চপ চাবা কাঙলোন অমত্তা খঙজনীংই।

– লাইশ্রম হেমন্ত, হৈরোক

☞ হীদাক তোৎলীবদু উচেক্লা ফৌ খুন্দোকখিদনবা (চাদনবা) নত্তে। উচেক হাৎনবনি। অচুম্বা থবক নত্তে। উচেক্লা উবা হন্থনবা হুনগদৌরিবা ফৌদিদা মৈতাল মকুপ তোৎশিনহৌবা য়াই। লৌহোনগুম্বা অপিকপা মফমগীদমক্তি লৈকুপ/ষম্থি মকুপগুম্বনা কুপ্পীবা য়াই। অপাকপা লৌফমগী ওইরগনা উচেক্লা কিননবা অমসুং তোংফম লৈহন্দবা য়াই। উচেক শিনবা হীদাক্তি শীজিন্নরোইসি।

Q. ফৌদিদা হীদাক তোৎপসিবু কংনা তোৎকদ্রা নৎত্রগা ঈশিংদা ওইনা হাপ্লগা ফৌদিদু তীংগদ্রা? লৈকায় অহলশিংনদি ঈশিংদা হীদাক হাপ্লগা তীংবনা হেন্না ফৈ হায়না তাকপীবসু লৈ। অদুগা তীল হীদাক অমসুং কোকফাই হীদাক পূন্না তোৎপা য়াব্রা হায়বদুসু খঙজগে?

– মুনাল, তেন্থা

☞ ফৌদি তীংলবা মতুং, ওল্লমদাইদা হীদাক তোৎলগা ওম্বনা হেন্না ফৈ। ফৌদি তীংবদা হীদাক হাপ্পা ওইরবদি ফৌদি লৌখৎখ্রবা মতুংদা লৈহৌরিবা ঈশিংদা অয়াম্বা হীদাকশিং লৈহৌরগনি। ফৌদিদা ইয়াও-য়াওররোই।

ফৌদিদা কোকফাই হীদাকখক তোৎকনি। তীল চেন্নরক্তে; তীল হীদাক তোৎলোই। তীল হীদাক্তি মতম অমসুং মফমদু য়েংলগা লৌফমদা অমসুং লৌরীদা কাপথোকপনা হেন্না ওইজৈ।

Q. পোঙ হৱাই পানবা হৌরে। মতমসিদা মনা, অনৌবা মতোন অমসুং নৌরিবা হৱাইশিংদা তীলকুপ য়াম্না তাশিল্লে। মহৈ হুৎপসু য়াওই। খুদোংচাদবশিংসি লাকশিন্নবা অমসুং মখা তানা তীলশিং লৈতনবা করি হীদাক কাপকদগে?

– হুইরেম শাফবা মৈতৈ

☞ ওর্গানিক ওইবা হীদাক কিল্লর ৭০৭ মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ২৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা তীল পূম্নমক হাৎকনি। হীদাক্কী ৱাইটিং পেরেদ হায়বা লৈতে। হীদাক কাপ্পা নুমিত্তুদা চাবা কায়দে। হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদে।

Q. কুমসিগা থারগদি কফোই পানবা চহী অহুম শুরে। অদুবু কফোইশিংগী মকুদা অমুবা মচেৎ-মচেৎ লৈ, মপূং ফাদনা কেল্লি। মনুং হুৎপী তীলশিংসু তাই। করি হীদাক শীজিন্নবা য়াবগে? অফবা কফোই মখলনি।

– শামুঙৌ, কুম্বী

☞ কোকফাই থোকহনবা লায়নাশিংদুগীদমক্তি Aporopo (Azoxytrobin 7.1% + Propiconazole 11.9%) মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি।

নুমিৎ নীনি লৈরগা তীলশিং হাৎনবা হীদাক কাপসি Barazide (Novaluron 5.25% + Emamectin benzoate 0.9%) মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। মথৌ তারবদি নুমিৎ ১০ লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

Q. ঐগী ইঙ্খোলদা হৌবা হৈ-লৈ, মনা-মশিং পূম্বা তোঙানবা লায়না-তীলনা তাদুনা য়েংবা য়াম্না নুংঙাইত্রে। হৌখিবা চহীদসু অৱাথবী, কোমলা, চমপ্রা মনাদা মওং-মরীল তানা মপূং ফাখিদে। লৈগী লৈনাদা অঙৌবা কোকফাইনা য়োল্লে। মোরোক মনা কোনশিনবী, চুজাক ময়োন কোনশিনবী, চুজাক ময়োন চিকপী, মনা চাবী, হৱাই-মনা কোনশিনবী পাক শন্না তারে। মসিদগী ঙাকথোল্লবা পাম্বে খরা তাকপীয়ু।

– জিতেন লুৱাং, পোৎশংবম খোইরু

☞ অৱাথবী, কোমলা, চমপ্রা, লৈগী লৈনাদা উৎলিবা লায়ওং মপূং ফানা হায়বীরক্লবদি নুংঙাইজগনি। মথংদদি অমমমগী ওইনা লায়ওং হায়বীরকউ। তোঙান-তোঙানবা ফোটো হাপীরক্লবদি ঐখোয়না পাউখুম পীজবদা হেন্না খুদোং চাগনি।

অদুগা মোরোক মনা কোনশিনবীগীদমক্তি Pegasus গ্রাম ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা হাপ্লগা কাপসি। মনাগী মখা থংবা মায়কৈ চোৎনবা কাপসি। Emamectin benzoate অমসুং Ampligo নৎত্রগা Coragem শীজিন্নবা য়াই। হীদাক হায়বা নুংঙাইনবা চুজাক্কী ষ্টেজসু খঙহনবীরকউ।

হৱাই মনাগীদমকসু হৱাই মখল, ষ্টেজ খঙবা চংই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা**
**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# কান্নরবা হার হাপ্পা হৈহৌদ্রগদি শূগনবা লায়রবা তাদুনা তোকই

**- এস সুমঙ্গল -**


*বোরোন ৱাংলবা কোবিলৈ*

লৈহাও চেনবা হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবসি লৈবাক লৈহাও (সোইল) অদুনা পাম্বীগী মথৌ তাবা মচিঞ্জাকশিংবু মপূং ফানা পীদুনা পাম্বীনা মপূং ফানা হৌবা ঙম্বা অদুবুনি। মতাং অসিদা লৈহাওগী মরমদা য়াম্না মান্নবা মানবা অদুবু য়াম্নদি খেন্নবা ৱাফম অনীখক থমজহৌগে। (১) ফর্টাইল সোইল হায়বা অমা, (২) প্রদক্তিভ সোইল হায়বা অমা। অহানবগীসিনা লৈবাক্তু লৈহাওদি য়াম্না লৈবা পোৎ থাবদা ফগনি-ফরোই হায়বদি ঙমদবা। হায়বদি পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচল খুদিংমক শুনদি য়াওবা অদুবু পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বগী ফীভমদি অমনা নৎত্রগা অমনা ঙমহন্দবা। অনীশুবগীসিনা লৈহাওসু চেনবা পাম্বীশিংসু নিংথিনা পোখোক পুথোকপা ঙম্বা। অসুম্না হায়নৈ - "ফর্টাইল সোইল খুদিংমক প্রদক্তিভ ওইদে অদুবু প্রদক্তিভ সোইল খুদিংমক্তি ফর্টাইল ওই।" ৱাফম অসিদগী লৈবাক লৈহাওগী মতাংদা খন্নবা য়াবা ৱাফম খুদিংমক থোরক্লিবসি। করম্না লৈবাকপু লৈবাক্তগী ফংবা পাম্বীগী চংদবা য়াদবা মচিঞ্জাক মচলশিং থারিবা পাম্বীদা মতিক চানা ফংহনগদগে হায়বা খঙলবা মতমদা লৌউ-শিংউ খঙলে হায়গদৌরিবনি। পাম্বীনা মশা ফনা হৌরবদি লায়না তীলনা ফাওবা চঙবা ঙমলোইদৌরিবনি।

পাম্বীগী চংদবা য়াদবা মচিঞ্জাক মচলশিং হায়রগা খঙনরিবসিনা খরা য়াম্না চঙবা (মেক্রোন্যুত্রেন্ট) নাইত্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফর অদুগা য়াম্না পিকপা চাঙদদি চঙবা অদুবু চংদবদি য়াদবা (মাইক্রোন্যুত্রেন্ট) - জিঙ্ক, বোরোন, মোলিবদেনম, কোপ্পর, মেঙ্গানিজ, আইরন, কোবাল্ট, ক্লোরিন অমসুং নিকেল অসিনি হায়বা তাই। ঈশিং অমসুং নুংশিৎতগী কার্বোন, হায়ড্রোজেন লোয়ননা ওক্সিজেন থারগা পূন্না ১৮ অসি লৈবাক লৈহাওনা হায়রিবা মচলশিং অসিবু পাম্বীদা ফংহনবা হায়বসিমক লৈবাক লৈহাওগী মহৌশাদগী লোয়নরক্লবা লৈবাক্তা য়াওবা রসায়নশিংগা লৈবাক্তা য়াওরিবা কান্নরবা হিংকুপশিংগা পূন্না পাঙথোকমিন্নরিবা থৌরমশিংনা পীবা চাউরবা খুদোলনি।


*মোলিবদেনম, মেঙ্গানিজ ৱাংলবা কোবিলৈ*

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা রসায়নশিং অমসুং হিংকুপশিং অসিনা পাম্বীদা মচিঞ্জাক পীবা হায়বসি অমুকসু লৈবাক লৈহাওদা চেল্লিবা মগুনশিং/ফীভমশিং (ফিজিকেল অমসুং ফিজিকো কেমিকেল প্রোপর্টিস) হায়বদি অশিন অয়াক, লৈবাক্কী ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বা-ঙমদবা, লৈশা মোনবা-মোন্দবা লোয়ননা মচলশিং শিন্দোক শিঞ্জিন (কেসন একচেঞ্জ কেপাসিটি), অসিনচিংবগী মখা অমুক পোল্লিবনি। হায়রিবা মগুনশিং অসি মথক্তা থমখ্রিবা রসায়ন অমসুং হিংকুপশিংগী থৌদাংদগী তাবা নত্তে। শম্না হায়রবদা রসায়নগী মগুন, হিংকুপশিংগী ওইবা মগুন অমসুং লৈশাগী ফীভমগী মগুন অহুম্মক চপ মান্ননা থৌদাং লৈ হায়বনি। মসিবু সোইল ফিজিকেল, কেমিকেল অমসুং বাইওলোকিল প্রোপর্টি হায়নরিবা অদুনি। মগুন অহুম অসি মপূং ফারবতদা মশা ফবা লৈবাক লৈহাও কৌগদৌরিবনি। মগুন অহুম অসিনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক থাদোরকপা, তুংশিন্দুনা থম্বা লোয়ননা পাম্বীদা মচিঞ্জাক ফংহনবা হায়রিবশিং অসি খুদক্কী অমসুং তুং কোয়না লৈহনবগী থৌদাং লৌরিবনি। হায়রিবশিং অসিবুনি লৈবাক লৈহাও চেলহনবদা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মগুনশিংনি হায়নরিবসি।

মীশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা চাবা কোন্ননবা হায়দুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীরম্বদগী খূৎশেমগী ওইবা রসায়নগী হার হাপ্তুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবদা মতেং পাংহনবগী থৌওং অসি থোরকখি। চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বা হায় য়েলদিং ভেরাইটি, হায়ব্রিদশিং পুথোরকপগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাওনা পাম্বীগী মথৌ তাবা মচিঞ্জাক পীবা ঙল্লক্তবগা লোয়ননা খূৎশেমগী হারশিংগী মথৌ হেন্না তঙাইফদবা লাকখি। শন্থি ষণয়ুং অমদি মনা-মশিং অমসুং অতৈ অহিংবা থৱায়পানবশিংনা পথ-পুমথরগা ওইরকপা কম্পোষ্টকী হারশিংগী কান্নবা অদু কাউথোক্লরকখি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক লৈহাওদা শাথিবা অওনবা অমা লাকহনবা থেংনররে। তশেংনমক্তি হার হাপ্পনা ঙসি ওইহল্লক্লিবা মওং অসি অসুম্না ওইরক্কনি হায়বা কনানসু খন্থবা তৌদনা মীওইবা ঐখোয়গী হেনগৎলক্লিবা মীশিংবু চাবা কোননবগীখক খল্লগা হায়রিবা রসায়নগী


*মেঙ্গানিজ ৱাংলবা কোবিলৈ*

তোঙান তোঙানবা হার মখলশিং অসি পুথোকখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না খন্নবা ফাওবা য়াওনরক্লে। তশেংনমক্তি অদু নত্তে। ঐখোয়না খঙবা ৱাৎহৌবা, খঙনবা হোৎনদবা, খঙলবসু খঙদবগা চপ মান্ননা ঐখোয়গী ৱাখল চুমথোকখিদবা, কাঙলোন অদুমক লান্না চৎখিবা পূম্নমক্কী অশোয়বনি, মরু ওইনা পূম্নমকপু কাঙলোন চুম্না খঙহন্নবা হোৎনবা ৱাৎখিবা অসিনচিংবা অসিনি হায়বা তাই।

ইন্দিয়া অমদি অতৈ লৈবাকশিংগী লৌমী ইচিন ইনাও কয়াগী ৱাখলদা হারবু মতিক চানা হাপ্লবদি চাথোক শোয়দনা লৈরনি হায়বা অরানবা ৱাখলসিনা লৌফমশিংগী তুং কোয়বগী ফীভমদা অকিবা ফংনা শোকচিলহল্লে। লৌফমদা কম্পোষ্ট নৎত্রগা শন্থি ষণয়ুংগী হার য়াওদনা রসায়নগী হারখক হাপ্পনা লৌফমদুগী লৈবাক লৈহাওগী মহৌশাগী ওইনা য়াওজবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক থাদোরকপা, তুংদা শীজিন্ননবা ফাজিন্দুনা তুংশিনবগী মগুনশিং অদু তপ্না তপ্না মাঙথরক্লে। হায়রিবা থৌওং অসি ইন্দিয়া য়াওনা য়ু এস এ, বৃটেন্নচিংবা লৈবাকশিংদা চহী ৪০ মুক্কী মমাঙদা মতম শাংনা চঙবা চাংয়েং কয়ানা খুদম চাংদম পীদুনা উৎখ্রবনি। খুদম ওইনা পল্লবদা কনাদাদা চহী ৩০ চঙনা চথ-খিবা রসায়নগী হারখক শীজিন্নবা অমসুং গেহুখক্তং থংনা-থংননা থাবা চাংয়েং অমদা লৈবাক লৈহাওদা নাইত্রোজেনগী চাং কায়থরকপা, য়ু এস এদা চহী ৩০ চূপ্পা চথখিবা লৈবাক শিলহনবা নাইত্রোজেনগী হার লিশাং শিৎনা শীজিন্নদুনা চথখিবা চাংয়েং অমদা লৈশাদা য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক (ইলিমেন্টশিং) অমগা অমগা শিন্দোক শিনজিন তৌদুনা পাম্বীদা ফংহনবগী মগুন (সী ঈ সী - কেসন একচেঞ্জ কেপাসিটি) দা চাং কায়থহল্লকপা, এলুমিনিয়ম অমসুং মেঙ্গানিজ কা হেন্না মরাং কায়রকপগা লোয়ননা পি ঐচ ৬.৭দগী ৫দা হন্থরকপা থেংনখি। খা ভারতকী হার তোয়না লেপ্তুনা লিশাং শিৎনা শীজিন্নদুনা ফৌ থাবদগী জিঙ্ক ৱাংলকপগী খুদম ময়েক শেংলবনি।

মথক্কী খুদমশিং অসি হার হাপ্ল-হাপ্লগা লৈহাও মাঙথরকপগী খুদম ঙাক্তনি। থৌওং অসি ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওশিংদসু অদুমক থোক্লিবনি। মতৌ অসুম্না লিশাং শিৎনা রসায়নগী হার কাঙলোন লান্না শীজিন্নবগী ওইরক্লিবা পামদবা মওংশিং খরা অমুক য়েংমিন্নসি।

১) পাম্বীনা চাং নাইনা তপ্না তপ্না মওং কয়াদা মচিঞ্জাক চূপখৎচবগী মওংগা, হার চাইরবা মতুংদা খূৎলৈ থুনা হারদুদা য়াওরম্বা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচলশিং অদু হারদুদগী খংথা থাদোরকপগী চাংগা কৈদৌনুংদা চাং মান্নহনবা হায়বসি ঙমদে। মরম অদুনা হারদা য়াওবা মচল কয়া অমা পাম্বীনা লৌশিনবা ঙমদ্রিঙৈদা লৈবাক্লা ফাজিনখিবা, লৈখাদা/লৈনুংদা চূমথখিবা, নোংগী ঈশিংগা লোয়ননা চেন্থখিবা অমসুং মনিল ওইনা নুংশিত্তা পাইথোক্তুনা মাঙখিবা শোয়দ্রবনি। মসিনা শেল চঙবা হেলহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদা কায়হনবা শোয়দ্রবনি।

২) লৈবাক লৈহাওগী পি ঐচ (অশিন অয়াক্কী চাং) হন্থহন্দুনা হায়বদি শিনবগী চাং হেনগৎহন্দুনা, হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা মাইক্রোন্যুত্রেন্ট কয়া অমা পাম্বীদা ফংহন্দে। অসিদসু নত্তনা অতোপ্পা মচল কয়া অমসু পাম্বীদা ফংহন্দে। লোয়ননা কান্নরবা হিংকুপ কয়াদা অমাঙ অতা থোকহল্লি, মখোয়গী মশীং হেনগৎহল্লি মসিনা পাম্বীনা মচিঞ্জাক চুপখৎপদা অৱাবা ওইহল্লি।

৩) লৈবাক্তা য়াওবা মচলশিংদা বেলেন্স কায়হন্দুনা পোটাসিয়মগী কেসনশিংগা কেলসিয়ম, আইরন, মেঙ্গানিজমগী কেসনশিং (পোজিটিভ চার্জ পুবা আইরনশিং) অসিগী মরক্তা কম্পোজিসন থোক্তুনা পাম্বীদা বেলেন্স ওইবা মওংদা মচিঞ্জাক ফংবদা কায়হল্লি। লৈবাক্তা মচলশিং অসি য়াওরবসু পাম্বীগী মরানা চূপখৎপা ঙমহন্দে।

৪) নাইত্রোজেন য়াওবা হারশিং চাং ৱাংনা শীজিন্নবনা লৈবাক্তা য়াওবা নাইত্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা হিংকুপশিংগী মথৌ হন্থহল্লি।

৫) নাইত্রোজেনগী হার চাং ৱাংনা শীজিন্নবনা লায়না-তীলনা তাবগী চাং য়াম্না ৱাংহনবা হায়বসিমসু শোয়দ্রবা ৱানি। লোয়ননা পোটাসিয়ম ৱাৎলগসু লায়না-তীলনা হেলহল্লি হায়বসিসু চুল্লবা ৱাফমনি।

থমজরিবা মরম খরা অসিমক্লা মীয়াম্না তোয়না ঙাঙনরিবা হারদি চহী খুদিংগী চাং হেনগৎত্রগদি পাম্বী ফবা ৱাৎলি, হার হাপ্পবসু পাম্বী চাউবা/ফবা ৱাৎলি হায়নরিবা অসিনচিংবা অসিনি।

অরোইবদা ফনা লৈহাও চেনবা লৌফম ওইদুনসু পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্বগী ফীভম ওইহনবদা চঙবা মচাকশিং খুদম ওইনা হিংকুপশিংগী মশীং, ঈশিং ঈনিল, নুংশিৎ, মৈশা খুদিংমক চাং চানা পীবা ঙল্লবতদা প্রদক্তিভ সোইল (পোখোক নিংথিনা পুথোকপা ঙম্বা লৈশা) ওইহনগনি হায়বসি খঙজিনবা মতম হেনখিগদৌরে। ●